# নীবগী হৈনবী থাদোক্তুনা পীবা তমসি অমুক্তং

**- এস ইন্দ্রকুমার-**



'ভীক্ষা নীবা' - হিন্দি লোলদা হায়রগনা 'ভীখ-মাঙ্গনা' হায়বা ৱাহৈসি ঐখোয়গী লোল ওইরবগুম খল্লক্লে। ঙসিগী মীরোল ঐখোয়গী ইচা-ইশু হাক্তকসিদদি থবক অসি করিনো? থবকসি তৌবা মী ঐখোয়' ইরক্তা লৈরিবরা? হায়না হংজীল্লকপদা পাউখুম পীফম খঙলরোই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ থেংনরকই - চৈশু অমগী মতেং লৌরগা খূত্তা চেঙ হাপ্লবা পাত্র (চেঙনি খুজায় হায়নবা) অমা পায়রগা য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা চেঙ/চাক/শেল/ফি নীবা চৎপা অহল ওইশিল্লক্লবা নুপা অমা! চাবা ফংদ্রবা ফিজেৎ-ফিগায় শেৎপা কনাগুম্বা অমা। মহাক্তুবু কৌই 'ভিক্ষা নীবা' নৎত্রগা 'ভীক্ষা চৎপা' মী। মতমদুগী দ্রামা/সিনেমা'দসু অদুগুম্বা মীশক/করেক্টর অমা য়াওহনবগী চৎনবী অমসু লৈরম্মী, মতমদুগী অয়েংবশিংনা পাম্বগী। ঙসিদি চৎনখিদ্রে, চৎনবী অদু মাঙখরে। হায়বদি - অনৌবা মীরোলসিগী অনৌবা মীরোল অসিনা অদুগুম্বা করেক্টরদু য়েংনীংদে হায়বনি। লাল্লবরা? অদুগা অতোপ্পা ৱারী অমসু তারকখি। সংসারসিদা লৈনা লৈনা সংসার অসি থাদোক্লবা তাইবঙগী অপাম নুংশি কল্লক য়েংথী ওইজ-ওইথক পূম্নমক থাদোক্লবা... মহাক্কীনি হায়বা ময়ূম-মকৈ, মরী-মতা কনাসু লৈত্রে খন্দুনা কোয়নাচ ৎপা, অফংবা মনা-মশিং উহৈ-ৱাহৈ চাদুনা থুংলু-থুংলুবা মফমদুগী য়েনখা-লুখা, উখা-ৱাখাদুনা ময়ূম ওইবা 'লম্বোইবা' হায়বা মী মখল অমসু লৈরম্মী। গেরুআ মচুগী ফি শেৎলি, য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা নোংমগী চরা নোংখন্ননবা চেঙ খুয়া (খূৎনা য়াবদা ফংবা চাং) অমমম নীরগা হিংবা, ফংলগা চাবা ফংদ্রগা তোকপা পূন্সি অমা লেল্লি। অদুগুম্বা মীশক্তুসু ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে। লম্বোইবগী সোশল রিলেভেন্স মাঙখরে। 'লম্বোইবা হায়বসি করিনো' ঙসিগী মীরোলসিনা খঙনবা তাকপা, অরুবা থবক অমা ওইরনি।

ইহে! ৱারীসি ৱাকোই তাখিদৌরে। হায়নীংলিবদি অতৈ নত্তে। মীঙোন্দগী নিরগা, অতোপ্পদা তাংলগা উতাংবী ওইনা হিংগনি হায়বা ৱাখলসিগী ৱারূ থিরুবদা থোক্লকপা ৱাখল খরদুনি ৱামাঙ ওইনা য়ানজরিবা। মীঙোন্দগী চেঙ-চাক নীরগা চাবা 'চাক্লিবা' হায়বা মীশক অদু ঐখোয়গী (মণিপুর) খুন্নাইসিদই মাঙখ্রবসু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সহরশিংদি 'লম্বীগী চাক্লিবা' (ষ্ট্রীট বেগ্গর) ঙসিসু উবা ফংলি।

মশানা মশাদা তাংজরগা হিংবা নত্তবা অতোপ্পদা তাংলগা হিংবা মীদি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা মালেম শিনবা থুংনা চাইদুনা লৈ। চেঙ চাক, হৱাই চেঙৱাই নীরগা হিংবা 'চাক্লিবা' দু নত্তবা পূক্লিং ৱাখল অনীমক অতোপ্পদা তাংজরগা হিংবা, ৱাখল মপূম ফাদবা মীদি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা লৈ মরাঙ কায়না-মশানা মশাদা থাজজবা ঙমদ্রবা... নীরগা হিংবা পূন্সিদুদা হৈনখ্রবা, ৱাখল ফাওবা মনীং তম্না খনবা ঙমজদ্রবা। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা ওন্থোক্না চুম্না হায়রম্মী ... 'ইনাক খুনবা চাম্মনা লায়রবা অমা য়োকপা ঙমদে'...। ইনাক খুনবা নুপাদুগী মরল মথুম, মরৌ-মশিংগী হায়রুরদি লায়রবা নুপা অমগী ইমুংদুখক্কী ৱা নত্তে, খুঙ্গংদুদা লৈরিবা মীয়াম-খুঞ্জা পূম্নমকপু থাকপা ঙম্বনি। অদুবু মহাক্কুম্বা চাম্ম'না লায়রবা অমখক থাকপা ঙমদে হায়রিবগী নুংগী ৱারোল (ইন্নর ফিলোজোফি) করিনো? অতৈ নত্তে। চাব' মপুক থন্দ্রবা, শেৎপা মনীং থুংদ্রবা লায়রব'দুনা ইনাক খুনবই থোঙজিন্দা নোংমা লেপ্পবা, মীনুংশিগা লোয়ননা মপুক থন্না পীজরক্কনি, অনৌবা ফিজোল পীরক্কনি। নীনিশুবা নুমিৎতদি পীসুম শুক্লা য়েংলক্কনি, মপুক থন্না পীজরক্লোই। হুমনিশুবা নুমিৎতদি থোঙগী পোরোল লোনখিনি, কৌবা ফাওবা খুন্নক্লোই। অসুম্না অতোপ্পা ইনাক খুনবা অমগী থোঙজিন্দা লেপ্পবদা ফংলক্কদবা ব্যবহার (হৌন লোনচৎ) অমত্তনি। থোঙ্গাল চামই থোঙজিন্দা লেপ্পরবা তুংদদি চঙজফম লৈত্রবা চাক্লিবা অমা ওইরক্কনি শোয়দনা। অদুনা হায়নরল্লিবনি 'অদোমগী থোঙজিন্দা লেপ্পবা চাক্লিবগী চেঙনি-খুজাইদা হাপ্লুগনু চেঙ মরূ অমত্তা, মখূত্তসু পীরুনু শেল ময়েক অমত্তসু... অদুই মহুৎ শেম্বীরম্মু মাগী লম্বী অমত্তং, লেপ্লদনবা অমুক হন্না নঙগী থোঙজিন অদুদা'...।

মরী লৈনদবা ৱাকোই-ৱারীনি হায়রদ্রা... কুইরবগী মমাঙদা পাখিবা ৱারী অমত্তং মতাং চানা লীজরমগে। লম্বোইদুনা চাক্লিবা ওইখিবা নত্তবা, মখূৎসু মখোঙসু তেক্তবা, মমীৎসু তাংবা নত্তবা, অহল হায়'দুসু ওইদ্রিবা, য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা চাক্লি-ফিনি তৌরগা মতু মচা থাকচবা নুপা অমা মতুগী থৌজাল নীরগা চেঙনি-খুজায় পায়দুনা, খ্বাংদা খাউ য়ান্দুনা থোরক্লম্মী ময়ূমদগী। লৌশিংবী মাগী নুপীনি, চেঙনি খুজায় মনুংদা চেঙ খুয়া অহুম-মরি হাপচিল্লকই হান্ননা। 'করিগীনো' হংবদা খুল্লকই... 'পঙগনু নুপা অপঙবা! পুমহাঙ হাঙবা খুজায়দদি কনানসু ভিক্ষা হাপনীংলোই... অতোপ্পনসু হাপ্লকই খঙলবা তুংদতনি মখোয়সু হাপ্পীংলক্কদৌরিবা'...। খল্লকই চাক্লিবা - ঙসিদি থংনবদা লৈরিবা খুঞ্জাউসিদা নীবা চৎলগে। লম্বী লমজাও অদুদা লাকপদা উরকই- মায়োক্লবা মায়কৈদগী মহাক তম্না অথাপ্পদা লাক্লিবদু সনা কোনুংগী থৌগল্লোয়শিংনা থৌগল লাংলগা খোঙশাল্লক্লিবা ইনিংথৌগী দোলাইনি। খল্লকই - লাইনা পীবা তাঞ্জানি সনা কোনুংগী সনথোঙদা ভিক্ষা নীবা চৎলুবা, নোংমতসু চঙহল্লকখিদবনি, সনথোঙদই তাল্লকখিবনি - ঙসিদি নিজ হৌরগে, সনা খাউজাও পীরমগনি, পূকচেল চাউবা নিংথৌনি'...।

লম্বীগী চিদাইদা থৈদোক্তুনা মকোক নোন্না লেপ্লিবা চাক্লিবদু উবদা নিংথৌগী দোলাই খামখরে। ইনিংথৌসু লেঙথরক্তুনা মনাক তম্না চঙলক্লে। নুংঙাইবনা লুতোন শাৎলক্লে- 'শোয়দ্রে ঙসি লাইবক থম্বাল শাৎলনি'।

অদুবু ওন্থোকপা লাইবক হায়'দুনি। মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা ইনিংথৌনা হায়রকই...'হে থৌজাল হৈরবা! নহাক্তনি ঐহাক্না সনা কোনুংদগী থোরক্লগা লাকপা লম্বীসিদা থেংনবা অহানবা নমু তাইবঙ মী, ঐহাক লাক্লে তাবদা লোৎখ্রে মীয়াম পূম্নমক য়ূমদই মপান থোকখিদ্রে... মান্নি, তাইবঙ মপুনা তাক্লম্বদু নহাক্লি অহানবা থেংনবা মঙোন্দগী নিজহৌ নঙনা নীনীংবা, নীংজবা পূম্বা থুংগনি... ফিগাও শানা নীজরি চেঙ খুয়া অমত্তসু হাপ্পীরম্মু পেঞ্জগে, নখুয়াদা চঙজরি'...।

মপূন্সি চূপ্পা নিবনা মসিঞ্জাং ওইরল্লবা মঙোন্দগী নিথৌমক্না নীরল্লবা। থোঙ্গাল অমত্তগী থোঙজিন্দা লেপ্লুদ্রিবা নুমিৎসিদা! নিংথৌ লাক্লে তাবদা লোৎখ্রবা মীয়াম অসিদগী করিসু ফংনি থাজদ্রে, ঙসিদি চরা হেল্লগনি... ৱাখলসিনা লৈতাহন্দ্রবা পূক্লিংদুনা মাঙদা লেপ্লিবা নিংথৌদুদা লৈয়েং অমত্তসু খৎঙমদ্রে। নুপীনা হাপ্লকপা চেঙ খূয়া অনীদু পীথোকখ্রবা-মখোয়দি করি চাগনি? ৱাখলসিনা লমজিংদুনা নিংথৌগী ফিগাওনুংদুদা চেঙ মরু অমখক' ভিক্ষা ওইনা হাপখরে। নিংথৌ হরাওনা চৎখরে। চাক্লিবসু হল্লক্লে থোঙ্গাল মঙা তরাখক্কী থোঙজিন্দুনা লেপ্লুরগা। পীথোকপা করিনো খঙলক্ত্রবা পূক্লিংদুনা চেঙ মরূ অমখক ভিক্ষা হাপতোকখিবই ৱাখলদুনা লৈতাহন্দ্রে মহাকপু।

'হৌখিবা থাবুম কয়াসিদা ঙসিমুক য়াম্না চেঙগী ভিক্ষা পুরকপা অমুক্তসু য়াওখিদ্রি ... অদুগা করিগীনো মায়থোঙ লাংশিনবীরিবা'? লোয়নবীনা হংলকই।

ৱারম পূম্বা তম্লগা খাউ থন্না য়াওরিবা চেঙদু হৈদোক্লুবদা থেংনরে - শেংলবা সনানা শাবা চেঙ মরূ অমা তোঙান তানা চোংথোরকপদো। অনুতাপ্পা থল্লকই 'চেঙ খুয়া অনীখক খুজায়দুদা য়াওরিবদু ইনিংথৌদা কৎলম্লবা, সনাগী চেঙ মরূ কয়ানো ঐনা ফংলমগদবা'...।

অচম্বা ৱারীনি খন্না তাবী'নু। ঈশ্বরগী মফমদগী নীবা নত্তনা অতৈ অমা খঙদ্রবা থম্মোয়দুনা তৌগেতা ঙম্বা মঙোন্দা মমল য়াম্লবা খুদোল অমত্তং পীবা ঙম্লবা মহাক্না পীরক্কদবা খুদোলদু ৱাখলনা অমুক্তং লামশিন্দুনা য়েংবীয়ু। ●

---

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩১গী ৱাহং

১) "দিমান্দ লেটর" হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি করম্বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "মানা লৈরিবা মফম অদুগী অচিকপদু থুগাইদুনা চঙশিল্লক্লিবা মতৌ অদু রাজুনা ওক্লম্মী।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা তাঙনা ফংবা সাহিত্যগী মচল অমা হায়বা তারবদি লিটরেরি ক্রিটিসিজমনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নীংদে।"

ৱাহৈ পরেং অসি ক্রিটিসিজমগী লাইরিক অমদা অইবা অসিগী পূক্লিং ৱা হায়বদুদা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "ঐগী পীল্লবা আশাগী পান্দোং
ঐগী চল্লবা আশাগী লৈয়োন
য়েন্নৌ য়েন্নিং হুন্দবা কুইরে
পূক্লিং বসন্ত লাক্তবা কুইরে।"

লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা কনানো? করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) "আয়ুশনা মাগী ছাইকল রেলী অদু ইন্থোক্লক্তুনা মমান্নবা রোজেনখোয়দা কোয়রুগদবগী থোক্লক্লি।"

ৱাহৈ পরেং অসি উপন্যাসকী লাইরিক অমগী অহানবা শরুক্তগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩০গী অুচম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

**১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,৩,৫)**
২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৫)
৩) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩)
৪) ঙাশেপম সঙ্গিতা, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায় - (৩,৫)
৫) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় - (১,৩,৫)
৬) চিরোম মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার - (৩,৫)
৭) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৩০গী ৱিন্নর*

***থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (ড্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১৩০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩০গী পাউখুম

১) "মমিং থোন্দ্রিবা ৱারী" হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মমিং - খদাংগী শমব্রু, অইবা - হিজম গুণ, অনীশুবা ফোঙবা, নবেম্বর ২০১০।**

২) "থিরি ঐহাক্না পুন্সিগী অর্থ
থেংনগদ্রা হায়দুনা করিগুম্বা
ৱাখলগী নম্বোদা হাইহুম্না
হনবা নাইররোইদবা খোঙচৎতা ...।"

শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং মসি লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু। **:- অইবা - এলাংবম নীলকান্ত, লাইরিক্কী মমিং - পূক্লিং লৈকোলগী অথূপ্পদা, শৈরেংগী মমিং - পূন্সি খোঙচৎ, ফোঙবা চহী : ২০০০।**

৩) "দি সোসিও-কলচরেল এন্দ হিষ্টোরিকেল একাউন্টস ওফ মণিপুর" (২০১৫) হায়বা ইংগ্রাজিদা ইবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? **:- অইবা - নাওরোইবম ইন্দ্রমনি, সেকেন্দ এদিশন - ২০২৫।**

৪) "মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবা" (২০১৯) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - য়ুম্নাম দিম্বজিৎ, অহানবা নম্বা : দিসেম্বর, ২০১৯।**

৫) "রামেশ্বর : নিঙম, নিঙল্লা, নিঙল্লা, নঙবু কদায়দা লৈবগে? নিঙম...।"

দাইলোগ মতেক অসি করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- লাইরিক্কী মমিং - নিঙোল চাক্কৌবা, অইবা - রঞ্জিৎ নিংথৌজা, অহানবা ফোঙবা : নবেম্বর ২০১৬।**

---

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -১০

**- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -**

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবগী থৌরম পাঙথোক্কদবা মফমসু মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্স অসিদনি। থৌরম পাঙথোক্লবা অচৌবা মান্দব অমসু খল্লম্মী। অৱাং ওন্না ষ্টেজ ওইগদবা শঙ অদুসু দেকোরেশন তৌবা লোইরম্মে। হেক থুংবগা লমদমদুগী শক্লাইরবা কবি ওজা খোইরোম ইন্দ্রজিৎ, ওজা হামোম সনাতোন অতৈ অতোপ্পা সাহিত্য সংসদকী থৌমী খরনা ঐখোয়বু তরাম্না ওকপীরে। পনবা য়াবা অমনা, ওজা খোইরোম ইন্দ্রজিৎ শাথৌলূপনা ২০২১দা "থিয়াম লৈরিকমচা ইন্টরনেশনল এৱার্দ" পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে। তশেংবদি ঐদি খূকউ থেল্লগা শাংনা গাড়ী তোংলকপনা ঙাইহাক লেপ্পগা পোত্থানীংবনা ওজাশিংদুগা মপান্দা ৱারী শানরগা লৈরিঙৈ ঐগী স্বিট কেস মশক মচু খঙবা ঐখোয়গী খোঙবু অমনা পুখৎপীখ্রমালে লৈরমদ্রে। ফীট ১০০মুক শাংবা বিল্ডিংদুগী সেকেন্দ ফ্লোরদনি ঐখোয়না লৈগদবা। ঐখোয়না লৈগদবা কাদুদা ঐনা হঙ্গৎনা য়েংখৎলি। ঐখোয়গী নুপা খোঙবুশিংদু কাদুদা চঙনখিবা উরে। ঐদি মখাদা ঙাইহাক ৱারী-ৱাতাই শানজৈ ওজাশিংদুগা। অতম্না ঐনা পুরকপা "খোঞ্জেল অমসুং খোঙথাং" কৌবা ঐগী অপোকপগী চহী ১০০ শুবগা মরী লৈননা ঐগী অপোকপা আর কে সী এসপু শৈথাবা, ওজা সরতচান্দ থিয়াম্না এদিট তৌরগা ফোঙখিবা লাইরিক্তু ওজা হামোম সনাতোন অমসুং ওজা ইন্দ্রজিৎতা খুদোল তৌরে। লাইরিক অসিদা ওজা হামোম সনাতোননা ইবা শৈরেং 'লৈয়েক থম্ফম লাইফমদো' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমসু য়াওই। পেজ ৩৭তা ওজা এ কে শেরাম্না ইবা "নোল্লুকচৈ নহাকপু" মিংথোনবা শৈরেং অমসু য়াওরি। মফমদু হেক য়ৌবগা গাড়ীদগী হেক কুমথবগা ঐবু ফজনা খঙবীবা ওজা অনী উন্নবা ফংবদা ওন্থোক্না নুংঙাইজে। অতোপ্পা খরসু থেংনখিবনি লোইনা পনবা ঙমজদ্রে ঙাকপীগনি।



বাংলাদেশকী Tetaigaon, Kamakganj তা লৈরিবা Manipuri Cultural Complex

নুমিৎতুগী নুমিদাংগী দিন্নরদি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী কমলগঞ্জ ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ওইবীরিবা ওজা লাইফ্রাকপম ইবুংহল শ্যামালগী শঙ্গাইদা ওজাদুনা শিনবীবা ওইবনা ওজা শ্যামালগী য়ূমদা ঐখোয় চৎলে। ওজা লাইফ্রাকপম শ্যামালগী য়ূমগা ব্রজগোপালগী য়ূমগা কোল্লুপ ওইনা লৈমিন্নরম্মী। ইমুং মনুং য়াওনা ওজা শ্যামালনা ঐখোয়বু তরাম্না ওকপীরে। চাক ঙাইহাক ঙাইবা ওইনা ঐখোয় ময়াম ৱারী-ৱাতাই শানৈ ওজা শ্যামালগী মী ফম্ফম কাদুদা। বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ ব্রাঞ্চকী মরু ওইবা থৌমী কয়াসু য়াওই। মরু ওইনা হামোম প্রোবিট, সংসদ অসিগী সেক্রেটরিনি। মহাক বাংলাদেশ মণিপুরীগী শক্লাইরবা অইবা, হৌজিক্লা কনাদাদা লৈখ্রবা হামোম প্রমোদকী মনাওনি। ওজা প্রমোদনা মণিপুরী খোরিরোলবু হেন্না চাওখৎপা, মালেমদা ঐখোয়গী লোল অমসুং নাৎ অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হনবা লৈতনা সোশল মীদিয়াগী খূথাংদা 'মণিপুর মিরর' কৌবা পেজ অমদা প্রোগ্রাম কয়া লেপ্তুনা শন্দোক্লি। নাৎকী ওইবা পাউ কয়া লেপতনা পোষ্ট তৌবীরকই। ওজা হামোম প্রমোদপু থাগৎচরি। হামোম প্রমোদকা ঐগা শকখঙ মায়খঙনখিবা কুইরে, মহাক্না ইম্ফালদা লাক্লম্বা মতমদা ঐখোয়গী আর্ট ম্যুজিয়ম য়েংবা চঙলক্লম্মী, ওজা হামোম প্রমোদকা মনাওনুপা হামোম প্রোবিটকা শকফম-শবান হায়ফেৎপু মান্নে। হামোম প্রোবিট য়াম্না ঈং তপচৈ, মহাক্কী কলমদগী ৱারেং, শৈরেং কয়া পুথোকখ্রবা কবিনি। হন্দক মণিপুরী সাহিত্য সংসদ অসিগী সনা ফুদোংবা থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙবা লাইরিক 'মৈরা' ৬৫শুবা এদিশন অমসু সনা ফুদোংবা লোইশিনবগা মরী লৈননা পুথোকপা ৬৬শুবা "মৈরা" গী এদিশনদা হামোম প্রোবিটকী ৱারী মচা অনী য়াওরম্মী। ৱারীগী মমিংদি "নোং ঙাল্লবসু ঙান্দ্রবসু কোকিলগী মখোল তাখিগনি" ৬৬শুবা মৈরা এদিশনদনা "চন্দোন চৈ" নি। প্রোবিটকী ৱারী মচা অসিদগী খঙবা ঙম্মী - চহী ৪৬শুরবা হামোম প্রোবিট, মাঙলোমদা চঙশিল্লিবা কবিনি, য়াম্না হৈনা সাহিত্যগী ফজবা ৱাহৈ কয়ানা লৈচন শুনা তেনখ্রবা ৱারী অসিদা হাপ্পী। থাগৎচরি প্রোবিট মখা চত্থবীয়ু, ইনাক খুল্লবা ইমা মণিপুরী লোল অসি অমুক্তং লিংজেল মান্ননা মালেম শিনবা থুংনা য়াকাইহল্লসি। পনবা য়াই, কবি খ্বাইরাকপম চাউবনা হায়বীরম্মী..."লায়রবা ইরোলনি খঙদবনা হায়বনি, মৈতৈ কবি লাকখিনি"...।

লোলগী মতাংসিদা নীংশিংবা য়াবা অমনা ঙসি ঐখোয়না ফেব্রুৱারী ২১বু মালেমগী ওইনা "ইন্টরনেশনল মাদর লেংগ্বেজ দে" হায়না পাঙথোক্লি। পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি করম্না, করিগী, ওইরকখিবনো হায়বদি খঞ্জিল্লুদে, নুমিৎ অসি বাংলাদেশকী মীয়াম্না মালেমদা পীবা খ্বাইদগী চাউবা খুদোল অমনি। ১৯৪৭তা বৃটিশনা ইন্দিয়া-পাকিষ্টান অনী থোক্না খায়দোক্লম্বদা ইষ্ট বেঙ্গলবু ইষ্ট পাকিষ্টান ওইখি। পাকিষ্টান হায়রিবা লৈবাক অসিবু অনী থোক্না ৱেষ্ট অমসুং ইষ্ট হায়না লৈঙাক্লম্মী। মোহম্মদ আল্লি জিন্নাহনা পাকিষ্টান লৈঙাক্কী ফাউন্দর ওইনা পাকিষ্টানগী অহানবা গভর্ণর জেনরেল ওইদুনা পাকিষ্টানবু লৈঙাক্লম্মী। লৈঙাক মপু অথোইবা অসিনা ধকাগী restcourse maidan দা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমদা হায়খি, *"I would like to tell you in clear terms that the state language of pakistan shall be no other language but Urdu. If anybody tries to mislead you, he will be an enemy of pakistan"* ৱাহৈশিং অসি তাবদনি মহৈরোয় ময়াম্না লাউখিবা নো! নো! নুমিৎ অদো ১৯৪৮গী মার্চ ২১নি। অমুকসু জিন্নাহনা ধকা য়ুনিভর্সিটিগী কনভোকেশন সিরেমোনি অমদা হায়খি, *"Only Urdu shall be the state language in pakistan"...* থম্মোয় কায়বা ৱাহৈশিং অসিনা মহৈরোয়শিং তপথবা ঙমখিদে। মরম অদুনা লাউখি হঞ্জিন-হঞ্জিন মহৈরোয়শিংনা "শুকয়া য়ারোই! শুকয়া য়ারোই!"। অসুম্না নুমিৎ অদুদগী বাংলা লোল কন্নবগী মৈ চুবা হৌরকখি নুমিৎ অদো মার্চ ২৪, ১৯৪৮নি। নুমিৎ অদুদগী অশাউবগী মৈরিনা চীংদা লাম্নৈ চাকপগুম বেঙ্গালি লোল ঙাঙবা ফূরুপ পূম্নমক পুনশিনবগী তাঞ্জা ফংদুনা ইন্দিয়াগী ত্রিপুরা, ঝরখণ্ড, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ ফাওবা য়ানীংদবা উৎপগী খোল্লাও লাউবা হৌরকখি অমসুং লাউখি বেঙ্গালি লোলবু ওফিশল ষ্টেট লেংগ্বেজ ওইগদবনি হায়বা খোল্লাও অকনবা ঈহৌ অমা ফেব্রুৱারীগী তাং ২১,১৯৫২দা হৌখি, ঈহৌ অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী সিফাইশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি, মীওই মঙা নোংমৈ গুলিনা পান্দুনা শিখি। মখোয় অদুদি Abdus Salam, Abdul Barkat, Rafiquddin Ahmed, Abdul Jabbar অমসুং Shafiur Rahman নচিংবনি। মীওই চা কয়ানা অশোক অপন নংখি। নুমিৎ অদুদা থোকখিবা থৌদোক অসিবু মালেমগী পুৱারীদা মমালোল কন্নবগীদমক থৱায় কত্থোকপা ঙমখিবা থম্মোয় শোকপা অতাঙবা থৌদোক অমা ওইখি। নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা বাংলাদেশনা "ইন্টরনেশনল মাদর লেংগ্বেজ দে" হায়না পাঙথোক্লম্বদগী কনাদাগী ভানকোভরদা লৈবা রফিগুল ইস্লাম অমসুং অবদুস সলামনা মতমদুগী য়ু এন ওগী সেক্রেটরি জেনরেল কোফি অন্নানদা জন্যুৱারী ৯, ১৯৯৮দা চিঠি ইদুনা খঙহনখ্রবা মতুং য়ুনেস্কোনা নবেম্বর ১৭, ১৯৯৯দা ৩০শুবা জেনরেল কনভেন্সন পেরিসতা ফমদুনা ফেব্রুৱারী ২১বু ইন্টরনেশনল মাদর লেংগ্বেজ দেনি লাউথোকখি। থংনবা চহী ২০০০গী ফেব্রুৱারী ২১দগী মালেমগী মফম কয়াদা মথং-মথং ইন্টরনেশনল মাদর লেংগ্বেজ দে পাঙথোক্লরম্বদগী ঙসিদি মালেম পূম্বা পাঙথোক্লরে। মালেমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না মশা মশাগী লোল লৈজবা মমা লোলবু ঙাক শেঞ্জদুনা হেন্না চাওখৎপা থাক্তা থমদুনা মমালোলবু শিথদনবা পান্দমনি য়ুনেস্কোনা লাওথোক্লিবা। নুমিৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা শাথৌলূপনা ২০১৩দগী চহী অহুম "Sui Generis mother langauage award" হায়না পীরম্বদগী হৌজিক্তি "খুম্বোংময়ূম গৌরহরি মধুমতি মাদর লেংগ্বেজ এৱার্দ" হায়না ওন্দুনা চহী খুদিংগী ওইনা "ইন্টরনেশনল মাদর লেংগ্বেজ দে" নুমিৎতা মণিপুরী লোলগীদমক মাঙজিল থানা কত্থোক্লবা মীওই কয়াদা শাথৌলূপনা এৱার্দ পীদুনা লাক্লি। লৈহাওথাবম সরতচন্দ্র শর্ম্মনা মণিপুরী লোলগীদমক মাঙজিল থানা কত্থোক্লিবা অসি শক খঙবা ওইনা এমসুগা পুন্না শাথৌলূপকী "Sui Generis mother language award" ইহান হানবা ওইনা ২০১৩দা খূৎশিন্নখিবদু ঙসিসু নীংশিংলি।

ঐখোয়না ঙসি বাংলাদেশতা লাকপা ফংলিবসি, বাংলাদেশতা খুন্দাদুনা লৈরিবা ইরৈচা মণিপুরীশিংনা মণিপুরগী নাৎ, চৎন-লোনচৎ, ফিজেৎ-চাকচা অমসুং লোল পূম্নমক অসি কনবীরমদুনা, মণিপুরী অমা ওইবগী চাওথোকচবা ঙম্বগী থৌনা অদুননি। অমরোমদনা ম্যান্মারদা খুন্দাখিবা মৈতৈশিংদি লোল ফাওনবা ঙল্লক্তবনা অয়াম্বা ওইরে... মৈতৈগী চৎনবী ফিজেৎ চাকচা হোংখ্রে, অতোপ্পা লাইনীং লাইশোন ওনখিদুনা ম্যান্মারিজ ওনখিবা কয়াসু য়াওরে। মীগী মমিংসু ম্যান্মারগী মিং ওইনা থোনগদবনি হায়বা লৈঙাক্কী অকনবা হুকুমসু লৈ। ম্যান্মারগী মৈতৈশিংগী ফীভমদি লুরে। অদুবু বাংলাদেশতদি ওইদ্রি। ১৯৯০ অদুৱাই ওইরম্বা য়াই। ঐগী অপোকপা ইপানা হিংলিঙৈ নোংমা ঐগী মরুপ ডা. লাইশ্রম সুরেসনা ম্যান্মারিজ মৈতৈ খরা পুরল্লম্মী। মখোয় অয়াম্বনা মীতৈলোল ঙাঙবা ঙমদ্রে। মতমদুদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমা ফাওখি। ঐনা খনখি ম্যান্মারদা মৈতৈশিংনা খুন্দাদুনা লৈরম্মী হায়বগী মমি মুৎখ্রনিকো।

বাংলাদেশতা মণিপুরীশিংনা মৈদিংঙু মহারাজ খাগেম্বা মতমদগী খুন্দাবা হৌখ্রবসু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ অমসুং মহারাজ ভৈগ্যচন্দ্রগী মতমদসু খুন্দাখিবগী ৱারী লৈ অদুবু মণিপুরীশিংনা বাংলাদেশতা খ্বাইদগী য়াম্না খুন্দাখিবদি চহী তরেৎ খুন্তাকপদগীনি হায়না বাংলাদেশ মণিপুরী পুৱারীদা ময়েক শেংনা য়াওরি। বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মণিপুরী মৈতৈ ইরৈচাশিংনা বঙ্গালি লোলনা মমালোল ওইবা মফমদুদা ঙসিদগী চহী ৪০০গী মমাঙদগী খুন্দারল্লবসু মণিপুরী লোল অসি ঙাঙনদুনা লাকপনা ঙসি ফাওবা মণিপুরী লোল অসি লোল্লিবনি বাংলাদেশ মণিপুরীশিংনা। থাগৎতবা ঙমদে বাংলাদেশ মণিপুরী মৈতৈ ইরৈচাশিংবু। ঈদগী লোয়নরল্লবা ইরোল অসিনা মাঙখ্রবা, ইফূরুপকী মশকসু মাঙখিদুনা মশানা মশাবু মশক তাকপা ঙল্লোইদৌরিবনি। অদুবু বাংলাদেশ মণিপুরী ইরৈচাশিংদি ঐখোয় মৈতৈ হায়বা ফূরুপতুনি ঐখোয় মণিপুরদগী বাংলাদেশতা খুন্দাখিবনি হায়বগী চাউথোকচবদু লৈহৌরি। লুরিবদি হৌজিক্কী মীরোলগী পীল্লবা ইচা-ইশুশিংনা ইরোল অসিবু অসুম অসুম লোল্লক্ত্রবদি লোল অদু অশিবা লোল ওইগদৌরিবনি। মরম অসি লৈবনা তঙাইফদনা য়ূম-য়ূমদদি মণিপুরী লোলদমক লোলহন্নীংবগী অপাম্বা অদু ফাওদবা ঙমদে...। ● (...মখা চত্থরকখিনি)